অসোমগী মশাঙ য়াল্লবা মীয়াম চাইথোক্নুনা লৈরিবনি অদুবু নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্মা লৈবাক্কী মফম কয়ামক্মদা তোপ্পা য়েংবা মীৎয়েং, অসোমগী মীয়াম্বু তশেংনা ইনিদয়াগী মীওই পুম্নমক্কী পুমতোপ তোপ্পা ইন্থোকপগী মতৌ অমা ফাওহল্লি। মতাঙ অসিদা নেসোনা ফোঙদোক্লিবা অচেৎপা ব্রাফম

পিপলস এক্সন ফোর নেসনল দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম)না থাদোরকপা চেরোল অমদসু হন্দক মরক নোর্থ ইষ্ট (চীঙখৈ)গী মীওইশিংবু ইন্দিয়াগী ষ্টেটখরদা তাথী মরম অসিনা ইরমদম অসিদসু মীয়াম্মা য়ারিমখৈ তোকঙাদা থাজবীদনবা অমদি তোকঙা শনে দাক্তনবা পান্দমগী চেরোল অসিদা ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়াগী লুক ইষ্ট পোলিসিদা মণিপুর মরুওইবা মফম অমা ওইরক্লি : এম ওকেন্দ্রো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস) : ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্ট্রেল হোলদা য়ুনিভর্সটি অসিনা য়ূম্বু ওইদুনা মালেমগী ওইবা মীফম ‘ইন্দিয়া এন্দ হার নাইবর’ হায়বা অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এদ্যুকেশন মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, ইন্দিয়া অসি ঙসিদি মালেমগী থাক্তা হিরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা নোংপোক মায়কৈদা য়েংবা হায়বা পোলিসি অমা চথরক্লি। ইন্দিয়াগী লুক ইষ্ট পোলিসি অসিনা মরম ওইরগা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অমসুং মরু ওইনা মণিপুরগী থৌদাং অমসুং মরু ওইবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

বাংলাদেশ, নেপাল, ভুটান অমসুং ম্যান্মারনা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগা য়ুমলোয়নবা অমসুং শ্রীলঙ্কা অমসুং মালদিভসনা ইন্দিয়াগী সমুদ্রদা লৈবা য়ুমলোয়নবা লৈবাকশিংনি হায়না পল্লদুনা ওকেন্দ্রোনা হায়, য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংগা অকনবা অমসুং তুং কোইবা য়াইফবা মরী থম্নবা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিং অসিগা চান্ন-চিন্ননা লৈবা তঙায়ফদে। লোয়নননা লৈবাকশিং অসিগা ইন্দিয়াগা কলচর, হিষ্টরি অমসুং সোশল নোর্মসতা অনকপা মরী লৈনৈ। মরম অদুনা লৈবাকশিং অসিগা মহৌশাদগী খূৎশম্নন চৎমিন্নবদা মপাং ওইরক্লি।

থৌরম অদুদা ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর গোবিন্দ দাস কোন্থৌজমনা হায়খি, সোভিয়েট য়ুনিয়ন কায়খিবদগী ইন্দিয়ানা ইং ১৯৯১ দগী লুক ইষ্ট পোলিসি অসি হৌরকখিবনি। লুক ইষ্ট পোলিসি অসি ইষ্টর্ন এরিয়া লৈবাকশিং অসিগা ইকনোমিক পোলিসিখক্তগী নত্তে। অদবু মসি ইন্দিয়াগী ফোরেন পোলিসিগী অনৌবা মায়ওন অমনি।

মহাক্না মথা তানা হায়খি, ম্যান্মারনা এসিয়ানগী মেম্বর ওইখিবদগী লৈবাক অসিগী থৌদাং অমসুং ইন্দিয়াগা মরী হেন্না ফগৎলক্লি। ম্যন্মরাগা ইন্দিয়াগা কিলোমিটর ১৬৪৩ শাংবা বোর্দরদা লৈমিন্নে। মসিনা মরুওইবা ইন্দিয়া অমসুং এসিয়ান লৈবাকশিংগী মরু ওইবা লিঙ্ক অমা ওইরি।

থৌরম অদুগী নুংগী ব্রারোল পীরদুনা এম্বেসেদর রাজন মথাই, ফোরেন সেক্রেটরি, মিনিষ্ট্রি ওভ এক্সটর্নেল এফেয়ার্সনা হায়খি, ইনিদয়াগা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংগা লৈনরিবা মরী অসি য়াম্না দাইনামিক ওই। ইন্দিয়ানা য়েংলক্লিবা লুক ইষ্ট পোলিসি অসি মণিপুর অমসুং নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংনা হান্নদগী য়েংখ্রবা মীৎয়েংনি। মমাঙ চহীদা ম্যান্মারগী প্রেসিদেন্ট অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারদা মথংশিংনা চত্তুনা ব্রারী শান্নখিবা অদু অচৌবা মায়পাকপা অমনি। মণিপুর অমসুং ম্যান্মার কলচর, শওং-শদা, সোশল নোর্মসতা অনকপা মরী লৈনৈ অমসুং লুক ইষ্ট পোলিসিদা মণিপুরগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী য়ূমলোন্নরিবা লৈবাকশিংগী লৈনরিবা মরীশিগী মতাংদা মহাক্না হায়, বাংলাদেশকী পোৎ ইন্দিয়াদা পুশিল্লকপদা টেক্স অমত্তা লৌদে। মরম অসিনা ইন্দিয়া-বাংলাদেশকী মরী ফবা অসি নোংম নোংমগী হিরম খুদিংমক্তা হেনগৎলক্লি। অসুম্না ভুটানদসু ঐখোয়না অচৌবা হায়দ্রো মেগা প্রোজেক্ট অহুম শেমগৎলি। মসিনা ভুটানদা রেভিন্যু কাবদা নত্তনা ইন্দিয়াদা পব্রারগী খুদোংচাবসু ফংলগনি। ইন্দিয়া-নেপালগী মরী অসি পংখৈ লৈতনা অফবা অকনবা মরী অমা শাগৎপা হায়বসি ইনিদয়াগী পান্দমনি। মসিগা লোয়নননা নেপালদা মল্টি পার্টি সিষ্টেম শাগৎপদা ইন্দিয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌরি অমসুং লৌখিগনি।

## ইরাবত্তগী খোঙজং কনশিল্লক্লি ব্রাকৎ